HUEIYEN LANPAO

# হোকি ইন্দিয়া এন্যুএল এৱার্দকী নোমিনিদা মণিপুরদগী কোথাজিৎ, সুসিলা চনু অমসুং অনুরধা য়াওরে


সুসিলা (দিফেন্দর)


অনুরধা (ফোরৱার্দ)


কোথাজিৎ (দিফেন্দর)

ন্যু দিল্লি, মার্চ ১১ ঃ
সিজন অসিদা মশক থোক্লা পার্ফোমেন্স পীরিবা টোপ প্লেয়র মরি বিরেন্দ্র লক্রা, অকাশদীপ সিংহ, পি আর শ্রীজেশ অমদি মনপ্রীট সিংহনা লাক্লিবা মার্চ ২৬ তা বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোকি ইন্দিয়াগী এন্যুএল এৱার্দকী অনীশুবা এদিসনগীদমক নুপাগী প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দকী লমজেলদা লম্বানরি।

হোকি ইন্দিয়ানা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনদুনা লাক্লবা হোকি ইন্দিয়া এন্যুএল এৱার্দকীদমক নোমিনেসন লিষ্ট অমা শগোলশেন নুমীৎতা রিলিজ তৌখি। এৱার্দ অসি কুমজা ২০১৫ দা হোকি প্লেয়রশিংনা উৎখিবা মখোয়গী হৈথোই শিংথোইরবা পার্ফোমেন্স অমদি মখোয়না গেমসতা কখোকপা অদুবু শকখঙবা ওইনা পীগদবনি। হোকি ইন্দিয়াগী শিংথানিংঙাই ওইরবা অনীশুবা এদিসনগী এন্যুএল এৱার্দ অসিগী অপূনবা প্রাইজগী শেনফম লুপা ক্রোর ২ওইরি।

নুপী হোকি শান্নরোয়শিংগী মনুংদা ষ্ট্রাইকর রানী রামপাল, দিপিকা, স্কিপর রিটুরানী অমদি গোলকিপর সভিতানা প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দকীদমক লমজেল তান্নরি। নুপা অমদি নুপীগী কেটেগোরিগী প্লেয়র ওফ দ ইয়র এৱার্দ অসিদা লুপা লাখ ২৫/২৫ গা লোয়ননা ট্রোফি য়াওরি। মসিদা নত্তনা মেজর ধ্যান চান্দ লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দতা লুপা লাখ ৩০ গা লোয়ননা ট্রোফি অদুগা জুগরাজ সিংহ অপকমিং প্লেয়রস ওফ দ ইয়র (মেন) অমদি অসুন্টা লক্রা অপকমিং প্লেয়র ওফ দ ইয়র (ৱিমেন) এৱার্দনা লুপা লাখ ১০/১০ গা লোয়ননা ট্রোফি পীগনি। এৱার্দ অসি চহী ২১ গী মখাদা লৈবা নৌনা মচিন তুমখৎলক্লিবা প্লেয়রশিংদা পীগদবনি। মসিগী মথক্তা মমাঙগী শক্লাইরবা প্লেয়রশিংগী মমিংদা লিংবা এৱার্দশিং মশক থোক্লা ইন্দিভিজুয়েল প্লেয়রশিংদা পীগনি। প্রসিদেন্ট ফোর আউটষ্টেন্দিং এচিভমেন্ট, বালজিৎ সিংহ এৱার্দ ফোর গোলকিপর ওফ দ ইয়র, পার্গট সিংহ এৱার্দ ফোর দিফেন্দর ওফ দ ইয়র, অজিৎ পাল সিংহ এৱার্দ ফোর মিদফিল্ডর ওফ দ ইয়র অমদি ধনরাজ পিল্লে এৱার্দ ফোর ফোৱার্দ ওফ দ ইয়র এৱার্দশিংসু এন্যুএল এৱার্দস য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা খুৎশিন্নগনি।

হোকি ইন্দিয়াগী অনীশুবা এদিশনগী এন্যুএল এৱার্দকীদমক্তা নোমিনি ওইরিবা প্লেয়রশিং অদুদি প্লেয়র ওফ দ ইয়র (মেন) দা বিরেন্দ্র লক্রা, অক্সদীপ সিংহ, পি আর শ্রীজেস, মনপ্রীৎ সিংহ। প্লেয়র ওই দ ইয়র (ৱিমেন) দা রানি রামপাল, দীপিকা, রিটু রানি, সবিতানি। জুগরাজ সিংহ। অপকমিং প্লেয়র ওফ দ ইয়র (মেন, অন্দর-২১) দা অরমন কুরেসি, দীপসন টির্কি, হরমনপ্রিট সিংহ, হরজিৎ সিংহনি। অশুন্তা লক্রা অপকমিং প্লেয়র ওফ দ ইয়র (ৱিমেন, অন্দর-২১) দা সোনিকা, দীপগ্রেস ইকা, প্রিটি দুবে, লিলিমা মিঞ্জনি। বালজিৎ সিংহ এৱার্দ ফোর গোলকিপর ওফ দ ইয়রদা সবিতা, হরজোট সিংহ, পি আর শ্রীজেস, রজানি ইটিমারপুনি। প্রগট সিংহ এৱার্দ ফোর দিফেন্দর ওফ দ ইয়রদা বিরেন্দ্র লক্রা, দীপিকা, কোথাজিৎ সিংহ, সুসিলা চনুনি। অজিৎ পাল সিংহ এৱার্দ ফোর মিদফিল্ডর ওফ দ ইয়রদা মনপ্রিট সিংহ, হরজিৎ সিংহ, সর্দার সিংহ, রিটু রানি অমসুং ধনরাজ পিলে এৱার্দ ফোর ফোরৱার্দ ওফ দ ইয়রদা অক্সদীপ সিংহ, রানি, এস ভি সুনিল অমদি অনুরধা থোকচোমনি। এৱার্দ অসি লাক্লিবা মার্চ ২৬ তা বেঙ্গলুরুদা পীগদবনি।

# তোনস্না মেমোরিএল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোলদা এন জি এল মায় পাকখ্রে

থৌবাল, মার্চ ১১ ঃ
য়াইরিপোক গ্যাস সার্ভিসকী স্পোন্সর মখাদা বিষ্ণুনহা য়ুথ ফেদরেশন য়াইরিপোক (বি ৱাই এফ ৱাই) না শিন্দুনা চথরিবা অহানবা লেট ওইনাম ওংবী তোনস্না দেবী সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা এন জি এল লৌরেম্বমনা বি ৱাই এফ ৱাই টিম বি গোল ৩-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৬ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা এন জি এল লৌরেম্বমনা চাউনা মায় পাকচরবসু মেচকী অহানবা হাফতা দি ৱাই এফ ৱাই টিম বিগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মিনিট ২৫/২৫ শান্নখিবা মেচ অদুগী হাফ মতুং মেচ হেক হৌখিবগা এন জি এল লৌরেম্বমগী চীংলেন্না গোল অনী থংনা থংননা মেচকী ২৭ অমসুং ২৮ শুবা মিনিটতা চন্দুনা বি ৱাই এফ ৱাই টিম বিদগী গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখি।

গোল শোথরিবা বি ৱাই এফ ৱাই টিম বিগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনরিঙৈ ইখঙ খঙহৌদনা মেচকী ৩০ শুবা মিনিটতা এন জি এলগী থোইথোইবনা টিমগী অহুমশুবা গোল চনখি। দি ৱাই এফ ৱাই টিম বিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এম অমরজিৎনা মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা চনখি।

# ষ্টেট আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১১ ঃ মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিএশন্না শিন্দুনা ৩৪ শুবা ষ্টেট আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ এপ্রিল ১ দগী ৩ ফাওবা চীংঙামখাদা লৈবা মোদেল ক্লবতা পাঙথোক্লগনি।

নুমিৎ হুমনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা ক্লব, য়ুনিটশিং অমসুং লোকেলগী শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফোর্ম শিংজমৈ পার্কিংদা লৈবা ও কে পেপর মার্ক অমদি শিংজমৈদা লৈবা মণিপুর আর্ম রেষ্টলিং এসোসিএশনগী ওফিসতগী লৌরবা য়াগনি লোয়ননা মার্চ ৩০ ফাওবগী মনুংদা ফোর্ম পীশিল্লক্কদবনি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদগী অফবা শান্নরোয়শিং খনগৎতুনা নাগপুরদা হৃদক পাঙথোক্কদৌরিবা ৪০ শুবা নেসনেল আর্ম রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ তা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি। লোয়ননা জুনিয়র মাষ্টর অমসুং ফিজিকেল্লি চেলেঞ্জগী শান্নরোয়শিংনা মখোয় মখোয়গী ওরিজিনেল সার্টিফিকেটশিং ওফিসিএলশিংদা সবমিট তৌগদবনি হায়রি।

# কাজখষ্টানগী ৱেথলিফটর সিভনবয়েভা দোপিংদা পোজিটিভ ওইরম্বদগী পুন্সি চুপ্পা তান্থোকখ্রে



মোস্কো, মার্চ ১১ ঃ
কাজখষ্টানগী ৱেথলিফটর সিভনবয়েভা দোপ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরম্বগীদমক ৱেথলিফটিং মশান্নদগী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা তান্থোকখ্রে হায়রি।

কাজখষ্টান ৱেথলিফটিং ফেদরেশন্না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না সিভনবয়েভা ৱেথলিফটিং মশান্নদগী পুন্সি চুপ্পগী ওইনা অথিংবা থমখিবা অসি হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবনি। কুমজা ২০১২ দগী ২০১৪ ফাওবা দোপিং তৌখিবদা পোজিটিভ ওইরম্বগীদমক সিভনবয়েভা চহী অহুম ৱেথলিফটিং মশান্নদগী অথিংবা থমখিবনি। হন্দক্কী অসিনা মহাক্কী অনীরকশুবা ওফেন্স ওইখিবগা লোয়ননা মহাকপু মশান্না অসিদগী পুন্সি চুপ্পা অথিংবা থমখি। কেজি ৬৩ গী কাঙলুপ্তা সিভনবয়েভা সেপ্টেম্বর থাদা থাইলেন্দদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।

কাজখষ্টান ৱেথলিফটিং ফেদরেশন্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা হন্দক্কী থৌদোক অসিনা ৱেথলিফটরশিংদা অনৌবা পারা অমা ওইরগনি।

নীংশিংবা য়াই, কাজখষ্টান হায়রিবা লৈবাক অসি ৱেথলিফটিং মশান্নগী ওইনদি য়াম্না মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমনি। হৌখিবা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা কাজখষ্টান্না ৱেথলিফটিংদা গোল্দ মরি লৌখিবনি। ২০১৬ রিও ওলেম্পিক্সতসু কাজখষ্টানদগী অফবা ৱেথলিফটরশিং হেন্না থোরক্তুনা গোল্দ মেদল মশীং হেন্না লৌননবা পানরিবা লৈবাক অমনি।

# এম সি এ এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ, প্লেটতা ৱাই দল্লিয়ু সি পাৎশোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১১ ঃ
মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন্না শিন্দুনা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়ম অমসুং লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চথরিবা ৩ শুবা এম সি এ প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অমসুং ৩ শুবা দল্লিয়ু প্রহ্লাদা অমসুং দল্লিয়ু রমানন্দা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এলিটকী মেচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অদুগা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টতনা ৱাই দল্লিয়ু সি পাৎশোই মায় পাকখ্রে।

ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা এলিট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেচ অদুদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মোদেল ক্লব চীংঙামখা রন ৪৫ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচঅদুদা মোদেলক্লব চীংঙামখানা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং তৌনবা খনখি। অহানবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা মেচকী অপীবা ওভর ৫০ য়ৌদ্রিঙৈ ওভর ৪৩.৫ মায়োক্লখিবদা শুপ্পগী রন ১৫৭ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি।

সাইক্লোনগী বেটসমেন নরসিংনা রন ২৮(৪১), ৱিল্লিয়মনা রন ২৬ (৪১), রোনাল্ডনা রন ২৪ (৫৮), সুনিল বোসনা রন ১৬ (১৫) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা মোদেল ক্লবকী বোলর মঙ্গি অমসুং বিশ্বরজিৎনা ৱিকেট ৩/৩ লৌখি। ইবোয়াইমনা ৱিকেট ২, টেজকুমার অমসুং নাসিরনা ৱিকেট ১/১ লৌখি।

সাইক্লোন্না থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীবা ঙমদনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা মোদেল ক্লব চীংঙামখানা শুপ্পগী ওভর ৪১.৫ মায়োক্লখিবদা রন ১১২ লৌরগা ওল আউট ওইদুনা সাইক্লোন থাংমৈবন্দগী মখুৎতা রন ৪৫ দা মায়থীখি।

মোদেল ক্লবকী বেটসমেন ধরমেন্দ্রনা রন ৩১ (৭৪), অলবাসিটনা রন ২৩ (৪৫) লৌখি। ফিল্ডিং তৌখিবা সাইক্লোনগী বোলর হোমেন্দ্রোনা ৱিকেট ৩, ৱিল্লিয়ম, জেম্পু অমসুং অক্সেকুমারনা ৱিকেট ২/২ লৌখি। সুরজনা ৱিকেট অমা লৌখি।

মেচ অদুদা সাইক্লোনগী ওল রাউন্দর ৱিল্লিয়মনা রন ২৪ (৪১) লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট ২ লৌদুনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং মফম অসিমক্তদা ফোর্স ক্ষেত্রিগাও অমসুং আর সি সি চুড়াচান্দপুরগা শান্নরগনি।

ঙসি লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা প্লেট ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সি পাৎশোইনা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাও ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা কে আই ৱাই সিনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা ওভর ৩০.২ মায়োক্লখিবদা শুপ্পগী রন ১০৪ খক লৌরগা ওল আউট ওইখি। টিমদুগী বেটসমেন অরিফনা রন ১৪ (২১), কোপসানা রন ১৪ (১৪), সুরজন রন ১৩ (১৩) লৌখি।

ফিল্ডিং তৌখিবা ৱাই দলিয়ু সি পাৎশোইগী জেমসনা ৱিকেট ৫, অমরিটানা ৱিকেট ২, পিঙ্কিং, সুরজিৎ অমসুং য়াংকি মখোয় অহুম্না ৱিকেট ১/১ লৌখি। কে আই ৱাই সিনা থল্লম্বা টার্গেট স্কোর অদুগী পাউখুম পীরদুনা অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা ৱাই দল্লিয়ু সি পাৎশোইনা ওভর ২২.৫ মায়োক্লখিবদা শুপ্পগী ৱিকেট অনীখক আউট ওইরগা রন ১০৫ লৌদুনা কে আই ৱাই সিবু ৱিকেট ৮ দা য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীখি। ৱাই দল্লিয়ু সি পাৎশোইগী পিঙ্কিনা নোট আউটতা রন ৫১ (৭৫), অমরিটানা রন ১৬ (৩৭) লৌখি। মেচ অদুদা ৱাই দল্লিয়ু সিগী জেমসনা মেন ওফ দ মেচ তাখি। হয়েং য়ু সি সি উরিপোক অমসুং সঙাইগা শান্নগনি।

## চন্দ্রনদি ফুটবোলগী ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১১ ঃ
হাওরৈবি নোর্দন ষ্টার ক্লব, হাওরৈবি ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা হাওরৈবি কাংজৈবুংদা চথরকপা অহানবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ চন্দ্রনদি ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ফাইনেল মেচ হয়েং নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা অনুস্কা এফ সি হাওরৈবি অমসুং চেম্পিয়ন এফ সি লংথবাল অনীনা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল মেচ লোইরবা মতুং মতম খরা লেপ্পুরবা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেচ হয়েং শান্ননবা মতম লেপখিবনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা নিঙোম্বম নিলকুমার, শমুরৌ নগর পঞ্চায়েটকী চ্যেরপার্সন সোরাম কিরন, অপূনবা ফিটনেস সেন্তর (এ এফ সি) গী মেনেজিং দিরেক্টর য়ুম্নাম হেমলেট, ঙাঙোম বিরজিৎ, দি এস পি ঙাংবম লিক্লা অমসুং কাউন্সিল্লর ৱার্দ নম্বর ৱান লৈমপোকপম হেলেনানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

# নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল দি এস এ ট্রোফি

ইম্ফাল, মার্চ ১১ ঃ
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচীংনা শিন্দুনা দি এস এ ককচিংগী প্লে গ্রাউন্দদা টিম ১২ না গ্রুপ মরিদা শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা দি এস এ ট্রোফি নাওরেম ভুবোন মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল ইনভাইটেশন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ হয়েংদগী চথবা হৌরগনি।

হয়েং অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা নেরোকা শঙাকফম অমসুং এইম খাবম অনীনা শান্নরগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচথা অসিগী ১৩ গী নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা এ এফ সি থৌবাল অথোকপম অমসুং কে ঈ এস সি ককচিংগা শান্নরগনি। অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ থা অসিগী ১৪ গী নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা এস এস য়ু শিংজমৈ অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অনীনা শান্নরগনি। মরিশুবা অমসুং অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচথা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ১.৪৫ তাবা মতমদা এফ সি মোইরাং অমসুং ক্লাসা কৈনৌ অনীনা শান্নরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেলনা থা অসিগী ১৬ অমসুং ১৮ দা শান্নরগা ফাইনেলনা থা অসিগী ২০ দা শান্নরগনি।

# বোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট খল্লগনি


চেন্নাই, মার্চ ১১ ঃ বোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী অনৌবা প্রসিদেন্ট লাক্লিবা এপ্রিল ১১ দা খল্লগনি হায়না স্পিসিয়েল জেনরেল বোদি মীফম্না ৱারেপ্পখ্রে।

বোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট চৌধুরি অভদেশ কুমার হৌখিবা ইৱাইনুমিত্ত দিসমিস তৌখ্রবা মতুং অনৌবা প্রসিদেন্ট খন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

বোল্লিবোল ফেদরেশন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল রাম অবটার সিংহ জাকরনা ফোঙদোরকপদা ফেদরেশনগী প্রসিদেন্ট অভদেশ কুমার টর্মিনেট তৌবগী অয়াবা জেনরেল বোদিনা পীখিবনি। এপ্রিল ১১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট মীখল অসিগীদমক রিটয়ার্দ জষ্টিশ রাজেশ্বরন্না রিটর্নিং ওফিসর ওইগনি হায়রি।



HL-B/3004/9,12,15,18,21,24,27,30,2,5,8,11,14,17,20,23,26,29,2,5,8



HL-B/2918/4/2-20/3(alt.)



HL-B/2986/1-20 March




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com